# চাইনাগা বাওন্দরিগী য়েৎনবা লৈখাই তাদ্রিবা মখৈ বোর্দরগী থৌদোক লেপ্লোই: আর্মি চীফ

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা বাওন্দরিগী য়েৎনবা লৈখায় তাদ্রিবমখৈ লৈবাক অনী বোর্দরদা উংখৎনবগী থৌদোক মখা তানা থোকখিগনি হায়না ইন্দিয়ন আর্মিগী চীফ জেনরেল মনোজ মুকুন্দ নরাভানেনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

দি ঐচ দি চেম্বর ওফ কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি (পি ঐচ দি সী সী আই)গী ১১৬ শুবা এন্যুএল সেসনদা ৱা ঙাঙলদুনা জেনরেল নারাভানেনা হায়খি, ঐখোয়গী অৱাংথংবদা লৈরিবা য়ূমথংনরিবা লৈবাক অসিগী মতাংদা হায়বা তারবদি ইন্দিয়াগা হৌজিক লৈখায় তানদ্রিবা বোর্দরগী ইস্যু অমা লৈ।



বোর্দরদা চাইনানা তোয়না অকন-অরিং শীংলকপগী মতাংদা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্কা হায়খি, ঐখোয়না মমাঙদা উৎখিবগুম ঐখোয় অকল-অরিং শিংলকপগী থৌওং খূদিংমক মায়োক্ক নবা নীংথিনা শেম শারগা লৈ। তুং কোয়না চৎনগদবা সোল্যুসন হায়বদি বাওন্দরিগী এগ্রীমেন্ট অমা পুরক্ত্রিফাওবদি অসিগুম্বা থৌদোকশিং মখা তানা থোকখিগনি। ঐখোয়না মদুদা মীৎয়েং থল্লগা হোৎনরগা ঐখোয়গী অৱাং থংবা বোর্দর পরিংদা তুং কোয়না মরা তপ্পা ফিভম লৈহনগদবনি।

মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা দিভলপ-মেন্ট কয়া অৱাং থংবা বোর্দরদা লাকপদগী রিসোর্ছ মোবিলাইজেসন চাওনা অমসুং খূদক্তা রেস্পোন্স পীবা মথৌ তাখি। খূদিংমক অসি কোভিদকী খুদোংথীবা লৈবা ইনভাইরনমেন্ট অমদনি। বোর্দরগী ইস্যু অসিগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা হৌজিক্কী হেল্থ ক্রাইসিস অসি মায় পাক্না থেংননবা হেন্না কন্না হোৎনবসু মথৌ তাই। অসিগুম্বা মীয়ামগী হেল্থকী ওইবা অচৌবা শীংনবা অসিদসু আর্মদ ফোর্সেসনা অঙম্বা থাক্তা কন্ত্রিব্যুট তৌরক্লি।

জেনরেল নরাভানেনা মখা তানা হায়, সর্ভিস অহুম হায়বদি আর্মি, নেভি অমসুং এয়র ফোর্সকী মসা মসাগী ওইবা চেলেঞ্জশিং লৈ।

য়েৎনরিবা বোর্দরগী তোঙানবা ইনভাইরনমেন্টকী ফিভম অমসুং হিন্দরলেন্দদা চত্থরিবা প্রোক্সি ৱারশিংনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়ন আর্মিনা চহী চুপ্পা লেপ্তুনা ওপরেসন চত্থদুনা টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি অমসুং লৈবাক্কী সোভরেন্টি ঙাক্তুনা লাক্লি। অরাকপা ফিভম খূদিংমক মায়োক্লনবা অৱাংবা থাক্তা শেম-শাদুনা লৈবা হায়বসি আর্মি কলচরগী শরুক অমনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ইল্লিগেল মাইনিং লাকশিন্নবা সী সী টি ভি কেমেরাশিং ইন্সটোল তৌগদবনি: বোম্বে এ সী

পানাজি, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

গোৱাগী তুরেলশিংদগী লোনা য়াদবা মওংদা লৈঙোই হুরান্নবা হোৎনরিবা লৈঙোইগী মাফিয়া লাকশিন্নবা মতিক চাবা থৌরাংশিং লৌখৎনবগীদমক গোৱাদা লৈবা বোম্বে হায় কোর্টকী বেঞ্চনা ষ্টেট পুলিস অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসনবু চৈখ্রে।

হৌজিক কোর্ট অসিনা রেজিষ্টর তৌদবা অয়াংবা হি-মচাশিং মাঙহন-তাকহন্নবা অমসুং লোনা য়াদবা মওংদা লৈঙোই হোল্লিবা ট্রকশিং ফাজিন্নবা অমসুং লোনা য়াদবা লৈঙোই পেকফমশিংদা সী সী টি ভি কেমেরাশিং ইন্সটোল তৌনবা পুলিস অমসুং মরী লৈনবশিংদা দিরেক্সন পীখ্রে।

গোৱা ফাউন্দেসননা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অমগী হীয়ারিংদা জষ্টিস এম এস সোনাক অমসুং জষ্টিস জৱালকরনা মখোয়গী ওর্দরদা হায়, লৈঙোই পেকপা থিংবগী থৌদাং য়াফম থোকপা ওথোরিটিশিংনা মতম মতমগী ওইনা ঐখোয়না পীরিবা ওর্দরশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌনিংদবগী মওং অমা ঐখোয়না উবা ফংই। ঐখোয়গী মীৎয়েংদা লোনা য়াদবা মওংদা লৈঙোই মাইনিং তৌবদা চেন্নবা মীওইশিংনা ওথোরিটিশিংবু নমথাক তৌনবা হোৎনৈ হায়না লৌই। লাইবক থীবদি ওথোরিটিশিংনসু ইরাই লাইনা নমথাক তৌবা য়াহল্লি।



ওর্দর অদুনা হায়, ইল্লিগেল অমসুং অনওথোরাইজ সেন্দ মাইনিং থিংবগী ৱাফম লাকপদা মরু ওইনা পুলিসনা লৌখৎফম থোকপা লৌখৎপগী মমি উদে। ইল্লিগেল সেন্দ মাইনিং থিংনবা থবক থৌরাংশিং লৌখৎলিবা ওথোরিটিশিংদা পীবা য়াবা কোওপরেসন পূম্বা পীনবা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি)না মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা অকনবা ইন্সট্রক্সনশিং পীগদবনি। পুলিস ওথোরিটিশিং মাইনিং সাইটশিংদা লাকউ য়াদবসু য়াওই। অসিগুম্বা মথৌ লৈথোক্লবা হোৎনরিবা পুলিস ওফিসশিংগী মায়োক্তা দি জি পিনা এক্সন লৌখৎকদবনি।

লোনা য়াদবা মওংদা লৈঙোই পেকপা থিংবা ঙম্নবা ইল্লিগেল মাইনিং মফমশিং নক্লনা সী সী টি ভিশিং ইন্সটোল তৌনবসু কোর্টনা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসনদা খঙহনখি। ইল্লিগেল সেন্দ মাইনিংদা শীজিন্নবা অয়াংবা হি-মচাশিং মখা তানা গভর্ণমেন্ট প্রোপর্টিশিংদা লৈহনফম থোক্তে হায়নসু ওর্দর অদুদা পনখি।

# মাইনর সুইসাইদ তৌখিবগী মতাংদা এন ঐচ আর সীনা এস পিদগী রিপোর্ট কৌখ্রে

লক্ষ্নৌ, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

মপূং মরৈ ফারবা মীওই অমগুম জেলদা থাজিনখিবা চহী নৌরিবা নুপামচা অমা সুইসাইদ তৌখিবগী মতাংদা রিপোর্ট অমা পীরক্লবা শগোলশেন নুমিৎতা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী)না ইতাহগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসতা খঙহনখ্রে।

কেস অদুগা মরী লৈনবা মীওই খূদিংমক্না লৌখিবা থৌদাংগী মতাংদা ইনক্কাইরি অমা তৌনবা অমসুং চয়োল তরুক্কী মনুংদা রিপোর্ট সবমিট তৌরক্লবসু এন ঐচ আর সীনা ইনভেষ্টিগেসন দিভিজনদা খঙহনখ্রে।

মাইনর অদু মপুং মরৈ ফারবা মীওইগুম্না দ্রগ পায়রম্বগী মরালদা জেলদা থাজিনবদুদা খাঙবা ঙমদবদগী সেপ্টেম্বর ২০দা বেলদা থাদোকপগা সুইসাইদ তৌখিবনি হায়বা কমপ্লেন্ট অমা কোগনিজেন্স লৌবগা লোয়ননা এন ঐচ আর সীনা দিরেক্টিভ অসি পীখিবনি। নুপামচা অদু থা অহুম ইতাহদা লৈখি।

নুপামচা অদু ইতাহ পুলিসনা ফারবা মতুং জুভেনাইল জষ্টিস বোর্দতা পুথোকপগী মহুত্তা দিষ্ট্রিক্ট জেলদা ওইনা থাজিনখি। কম্মিসননা এস এম পিদা এলিগেসনশিং অদু সিনিয়র রেঙ্ক পুলিস ওফিসর অমবু থীজিলহন্দুনা চয়োল মরিগী মনুংদা কম্মিসনদা রিপোর্ট অমা সবমিট তৌনবা খঙহনখি।

কেস অদু এনালাইসিস তৌদুনা অঙাংশিংবু মপূং মরৈ ফারবা মীওইশিংগুম্না ত্রিট তৌবীদনবগী ইন্সটিট্যুসনল থৌরাং পুথোক্লবা ঐচ আর সীনা মসিগী ইনভেষ্টিগেসন দিভিজনদসু খঙহনখ্রে।

# ইন্টিগ্রেটেদ এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি লিংখৎপদা মতেং পাংলগনি

পানাজি, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

গোৱাবু এগ্রিকলচর অমসুং হোর্টিকলচরগী পোত্থোকশিংগী মতাংদা মীপান তাংহন্দনবা ষ্টেট অসিদা ইন্টিগ্রেটেদ এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি অমা লিংখৎদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টপু মতেং পাংগনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এগ্রিকলচর শোভা করন্দলাজেনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী খোঙচৎতা লৈরিবা করন্দলাজেনা পাউমীশিংদা হায়খি, গোৱাদা এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি লিংখৎপা মথৌ তাই। মসি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট সবজেক্ট ওইরবসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মতেং পাংনবা শেম-শাগনি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং গোৱা গভর্ণমেন্টনা মথং চহী অহুম অসিদা গোৱাবু মীপান তাংদনা লৈহনবা পান্মী। শঙ্গোম, মনা-মশিং অমসুং লৌউ-শিংউগী পোত্থোকশিংগী মতাংদা গোৱাবু মীপান তাংদনা লৈবা ঙমহল্লগনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা ষ্টেট এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং অমসুং এগ্রিকলচর পোর্টফোলিও পায়রিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রকান্ত কাভলেকরগা লোয়ননা রিভিয়ু মীটিং অমা গোৱাদা, সেন্ট্রেল স্কিমশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মতাংদা কূপ্না খন্নখি।

# লুপা লাক্ষ ৫৫ পুরগা চেনখিবা দ্রাইভর ফারে

হায়দরবাদ, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

রিএল্টর অমগী লুপা লাখ ৫৫ পুরগা চেনখিবা দ্রাইভর অমা হায়দরবাদ পুলিসনা শগোলশেন নুমিৎতা ফাখ্রে।

লুপা লাখ ৫৫ পুদুনা চেনখিবা শ্রীনিভাস কৌবা মীওই অদু মহাক্কী মরুপ ভিজয়াগা লোয়ননা টামিল নাদুগী উটিদগী ফাখি। পুলিসনা মখোয়দগী লুপা লাখ ৫০সু রিকোভর তৌখি। ফারবা মীওইশিংদু হায়দরবাদতা পুরক্লগনি।

অন্ধ্র প্রদেশকী হায়দরবাদকী জুবিলী হিলসতা লৈবা সন্তোশ রেদ্দি কৌবা রিএল্টর অমগী দ্রাইভর ওইনা থবক তৌখি। ইমপ্লোয়র অদুনা মঙোন্দা শেনফম অদু কোকাপেটতা লৈবা অতোপ্পা রিএল্টর অমদা শিন্ননবা সেপ্টেম্বর ২৫দা শিন্নখি।

অদুম ওইনমক, দ্রাইভর অদু শেনফম অদু পুরগা চেনখি। মহাক নুমিৎতুগী নুংথিল পুং অনীরোম তাবদা ইমপ্লোয়রগী ময়ূম থাদোকখি অমসুং মহাক পুং অনী হেন্না চোঙ্থরফাওবা কোকাপেটতা লাক্তবদগী সন্তোশ রেদ্দিনা মহাকপু ফোন তৌদুনা কৌবা হোৎনবদা মহাক্কী ফোনদু স্বিটস ওফ তৌরমখি।

হঞ্জিন হঞ্জিন কোল তৌনবা হোৎনবদা য়াদবদগী রিএল্টর অসি চিংনরকখি অমসুং মহাক্না জুবিলী হিলস পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎখি। পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থীজিনবা হৌখি। কার অদু কোন্না রোদ নম্বর ১০ জুবিলী হিলসতা লৈরম্বা থেংনখি।

জুবিলী হিলস পুলিস অমসুং হায়দরবাদ কম্মিস্নরগী টাস্ক ফোর্স পর্সনলনা শ্রীনিভাস থীবগী থবক হৌখি। লংলা লংজিল খরা ফংবগা লোয়ননা পুলিসনা খোঙ্গুল লিবদা মহাক উটিদগী ফাবা ঙমখি। শ্রীনিভাস থা তরুক্কী মমাঙদা সন্তোশ রেদ্দিগী য়ূমদা দ্রাইভর ওইনা থবক তৌবা হৌখি।

# গুজরাটকী পোর্টতা হিরোইন কে জি ৩০,০০০ ফারগা তূমিন্না লৈশিনবগী মরম হংখ্রে

গান্ধি নগর, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

গুজরাটকী মুন্দ্রা পোর্টতগী হিরোইন কে জি ৩০,০০০ ফাখিবগী মতাংদা তূমিন্না লৈশিনবগী মরম করিনো হায়না কোংগ্রেস স্পোক্সপর্সন পৱন খেরানা শগোলশেন নুমিৎতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমিত শাহ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা হংখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা মীচঙ মীখায় নাইদনা থীজিলহন্নবসু খেরানা তকশিনখ্রে। অহমেদবাদতা লৈবা রাজিব গান্ধি ভৱনদা মীদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা খেরানা হায়খি, দ্রগ এদিক্সন হায়বসি লৈবাক অসিনা হৌজিক মায়োক্লরিবা খ্বাইদগী চাওবা শীংনবনি। লৈবাক অসিগী নহারোলশিংবু মাঙহল্লিবা দ্রগ রেকেটকী কিংপিন অসি খূদক্তা ফাগদবনি। মুন্দ্রা পোর্টতা জহাজদগী লেপ্তুনা য়াল্লবা ময়াই কাবা দ্রগশিং হোন্থরিবা অসিনা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা সিন্দিকেট অমা লৈরে হায়বগী ইঙ্গিৎ পী। লৈবাক অসিগী নহারোলশিং দ্রগকী খয়াৎতা ইনশিল্লিবা মীওইশিং লৈবাক অসিনা ঙাকপীফম থোক্তে। মীয়াম্না লম্বীদা থোরক্তুনা অসিগুম্বা মীওইশিংবু পৱারদগী চিংথগদবনি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনসু হীরম অসিগী মতাংদা তূমীন্না লৈশিল্লিবা করিগীনো হায়না হংলদুনা খেরানা হায়, লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি অমসুং নহারোলশিংনা মীখল মায় পাকপদগী হেন্না মরু ওইরবসু মহাক হৌজিক মীখলগী কেম্পেনশিং অমসুং রেলিশিংদা মথৌ চিন্দুনা লৈরি। লৈবাক অসিদা য়াল্লবা দ্রগশিং হোঞ্জিল্লক্লবসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা পাউখুম পীদনবা হোৎনদুনা লৈরি।

হৌখিবা থা ১৮ অসি নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন সী বি)গী দিরেক্টরগী রেগ্যুলর ফম হাংদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং ফম অসি রেগ্যুলর বেসিসতা হাপ্পদা কনানা থিংলিবগে হায়বসি হংনিংঙাই ওইবা ৱাহং অমনি। অদানি মুন্দ্রা পোর্টতা নার্কোটিক্স ব্যুরোনা দ্রগ কন্সাইনমেন্ট অদু ফাফম থোক্লবসু মদু দি আর আইনা ফাখি হায়না খেরানা ফোঙদোকখি।

# গুরুগ্রাম এদমিনিষ্ট্রেসননা ইল্লিগেল ফার্ম হাউসশিং থুগায়নবা থৌরাংলি

গুরুগ্রাম, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

অরাবালি হিলসতা লম হেঞ্জিল্লিবশিং অমসুং লোনা য়াদবা মওংদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক তৌরিবশিংগী মায়োক্তা গুরুগ্রাম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা লেপ্তুনা এক্সন লৌখৎলি।

অরাবালি এরিয়াদা লৈরিবা ইল্লিগেল ফার্ম হাউসশিং মতম শাংনা গুরুগ্রাম ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙদুনা লাক্লবসু লৱার কোর্ট অমনা পীবা ষ্টে ওর্দর অমনা মরম ওইদুনা মখোয়গী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎপা ঙমদনা লাক্লি।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, মেট্টর অসি ওক্টোবরদা হীয়ারিং তৌরগনি অমসুং মদুগী মতুংদা ষ্টেট অদু লৌথোকখ্রগনি হায়না দিপার্টমেন্ট অসিনা থাজে। ওর্দর অদু চৎনহন্দবগা লোয়ননা গুরুগ্রামগী ভান্দৱারি অমসুং গৱাল পহারিদা লৈরিবা ইল্লিগেল ফার্মশিং, থুগায়রগনি।

গুরুগ্রামগী ফোরেষ্ট ওফিসল কারমাভীর মালিক্কী মতুং ইন্না, অরাবালি চীং নাপোমদা ইল্লিগেল ফার্মহাউস ১৭-১৮রোম লৈ। ফোরেষ্ট ওফিসলশিংনা হায়, অরাবালি ফোরেষ্ট এরিয়াদা পর্মনেন্ট ষ্ট্রক্টচরশিং শেমগৎ শাগৎপদা অথিংবা থম্বা লৈ।

# তুরলেদা বস তাশিনবদা মীওই মঙা শিরে

শিল্লোং, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

হৌখিবা অহিং-নোংয়াই মতুং শগোলশেন নুমিৎকী অঙনবদা মেঘালয়া ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসনগী পেসেঞ্জর বস অমা রিংদি তুরেলদা তাশিনবদগী য়ামদ্রবদা মীওই মঙা শিরে অমসুং অতৈ ১৬ শোক্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

শিল্লোংদা সিনিয়র পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা, তুরাদগী ষ্টেট কেপিটেল তম্না লাকখিবা নাইট বস অদু ইষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টকী নোংচরমদা নোং কন্না তাবদগী ঈমায় চোল্লবা রিংদি তুরেলদা তাশিনখি।

মীওই মঙা মফম অদুদা শিখি। অশোকপা পেসেঞ্জর ১৬ লায়কন্ননবা রোজেং প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং খরা ফিভম লুনা শোকপশিংনা ৱিলিয়মনগর হোস্পিটালদা হোংদোকখি।

নোং লেপ্তুনা চুবদগী তুরেলগী ঈমায় চোল্লকপগা লোয়ননা ঈচেলসু কল্লকখি। পুলিসকী মতুং ইন্না, এক্সিদেন্ট অদু থোকপা মতমদা বসতুগী পেসেঞ্জরশিং তুম্নখি। ফায়র অমসুং ইমর্জেন্সি সর্ভিস পর্সনলশিং মফম অদুদা চঙশিন্দুনা ভিক্টিমশিংবু মতেং পাংখি।

# নেপালগী দ্রগ সিন্দিকেটতা চেন্নবা মীওই অমা গঞ্জাগা কোন্ননা ফারে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

পুলিসনা নেপাল মোদ্যুল দ্রগ সিন্দিকেট অমা থেংনখিবগা লোয়ননা মদুদা চেন্নবা নেপালিজ অমা অফবা ক্বালিটিগী গঞ্জা কে জি ১৫ গা কোন্ননা ফারে হায়না শগোলশেন নুমিৎতা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অদুগী মতুং ইন্না, ক্রাইম ব্রাঞ্চকী ইন্টর-বোর্দর গেংস ইনভেষ্টি-গেসন স্কৱাদনা ময়াই কাবা পোৎকা কোন্ননা মীওই অদু ফাখিবনি। থাজবা য়াবা অরোনবা পাউঅমা ফংবদগী দেল্লী পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা পুলিস পর্সনল ১১গী টিম ১ শেমখি। মখোয়না লাং থাক্তুনা একুজ অদু ফাখি।

নন্দ লাল মালি কৌবা একুজ অদু সমালখা টি-পোইন্ট এন ঐচ-৮ দ্বারকা লিঙ্ক রোদ, দেল্লীগা নক্লবা মফম অমদগী ফাখি অমসুং মঙোন্দগী অফবা মখলগী গঞ্জা কেজি ১৫ রিকোভর তৌখি।

ৱাহং পাউহং তৌবদা নেপালগী সিটিজন অমা ওইরিবা মালিনা হায়খি, মহাক ইন্দিয়া, বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মার অমদি সাওথ এসিয়াগী অতৈ লৈবাকশিংদা গঞ্জা সপ্লায় তৌবা নেপালগী দ্রগ মাফিয়া অমা শম্নরকখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না, সিন্দিকেট অদুগী ইন্দিয়ন হেন্দলর ওইরিবা ৱাহিদ অহম্মদ ক্রাইম ব্রাঞ্চনা কুমজা ২০২১গী ওগষ্টতা গঞ্জা কে জি ১২গা কোন্ননা ফাখি।

ৱাজিদ ফাখিবদগী সিন্দিকেট অদুনা নন্দ লাল মালি রিক্রুট তৌদুনা ৱাহিদকী থবক্তু শিন্নখি। কন্সাইনমেন্ট অদুগী অরূম্বগী মখা পোন্না ত্রিপ অমদা নন্দ লালদা লুপা ১০,০০০দগী লুপা ১৫,০০০ ফাওবা পীখি। মঙোন্দগী পোৎ লৌরিবশিং অদুদি অগ্রাদগী ইন্টেজার অমসুং দেল্লীগী ইন্দরপুরিদা লৈবা ভরমভির কৌবা মীওই অনী অসিনি। এন দি পি এস এক্টকী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মখাদা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে।

# পেপর মিলশিংগী ইমপ্লোয়ীশিংগীদমক লুপা ক্রোর ৭০০ এপ্রুভ তৌখ্রে

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ৩০ (এজেন্সী):

অসামদা লৈরিবা পেপর মিলশিংগী ইপ্লোয়ীশিংনা থেংনরিবা শেল-থুমগী অৱাবশিং কোকহন্নবগীদমক্তা ষ্টেট কেবিনেটনা পূন্না লুপা ক্রোর ৭০০কী শেনফম অমা এপ্রুভ তৌখ্রে।

ৱাফম অসি অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মানা ধেমাজি দিষ্ট্রিক্টতা ষ্টেট কেবিনেট মীফম অমা চ্যের লৌরবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি। চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, পুন্না লুপা ক্রোর ৭০০ এপ্রুভ তৌরে। রিলীফ পেকেজগী শরুক ওইনা ঐচ পি সী এল ইপ্লোয়ীশিংগীদমক লুপা ক্রোর ৫৭০ এপ্রুভ তৌরে।

হিন্দুষ্টান পেপর কোর্পোরেসন লিমিটেদকী দিফঙ্ক ওইরবা মিল অনীগী এসেটশিং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌশিল্লগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মসিগী মমাঙ য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সী এম সর্মানা হিন্দুষ্টান পেপর কোর্পোরেসন লিমিটেদ (ঐচ পি সী এল)গী ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং ৱর্করশিংগী পীথোক্তনা লৈরিবা তোলোব পীবগী ৱাফম অসি অসাম গভর্ণমেন্টনা সোল্ব তৌরগনি হায়খিবনি।

চীফ মিনিষ্টর সর্মনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা গুৱাহাটিদা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা ঐচ পি সী এলগী ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং ৱর্করশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখি।

SAINIK SCHOOL IMPHAL
PUBLIC NOTICE
For inviting Online Application for
All India Sainik Schools Entrance Examination (AISSEE) 2022

The National Testing Agency (NTA) will be conducting the **AISSEE-2022 for admission to Class VI and Class IX** in 33 Sainik Schools across the country, for the academic year 2022-23.

Candidates who desire to appear in the exam may read the detailed Information Bulletin for AISSEE 2022 and apply online only at http://aissee.nta.nic.in between **27 September 2021 and 26 October 2021.**

Ref: SSI/702/Ent
Sainik School Imphal
Sd/- Principal
HL-B/7193/1

VIMIT
VIBGYOR INSTITUTE OF MANAGEMENT AND INFORMATION TECHNOLOGY
SANGAIPROU, FCI ROAD, OPP. MSPDCL OFFICE, IMPHAL WEST
ADMISSION OPEN
FOR THE ACADEMIC SESSION 2021-2022
Limited Seat
Hostel Available
BBA Eligibility 10+2 BCA
(BACHELOR OF BUSINESS ADMINISTRATION) (BACHELOR OF COMPUTER APPLICATION)
THREE YEARS DEGREE COURSES WITH DUAL CERTIFICATION
Affiliated to Manipur University
2 Months Certificate Course on Tally ERP9
Classes will start from 8th Oct. 2021
6th Months Certificate Course on DCA
Prospectus / Form available during office hours on any working days
Please contact: 9612333542/7005847770/7005613687
Email-vimitimphal@gmail.com
www.vimitimphal.com
Sd/-
Dr. M. Biren Singh
Director, VIMIT, Imphal
HL-P/0200/29/9-5/10

NEFSA EDUCATION CONSULTANCY(NEC)
Since 2000, 20 Years of Trusted Service
Realising Your Dreams
BDS
AYUSH
ENGINEERING
NURSING
PHARMACY
MANAGEMENT
AGRICULTURE
LAW, PARA MEDICAL & GENERAL COURSES ETC.
MBBS
INDIA & ABROAD
INDIA
BANGLADESH,
KYRGYZSTAN
KAZAKHSTAN ETC.
FMGE/NEXT EXAM will be applicable for both INDIA & ABROAD MBBS students from 2023
FOR DETAILS CONTACT
REGD. OFFICE:
ABOVE HDFC ATM, HATTA MINUTHONG I/E MANIPUR
PH:+91-7005102097 / +91-9856154334
CORPORATE OFFICE:
THOUBAL OFFICE: Near Axis Bank +91-8414043799
LILONG OFFICE: Opp. Al-Hayat Hotel +91-8800560814
BABUPARA OFFICE: BOSEM Leirak +91-7005139464
www.nefsa.in
HL-P/0014/13 Sept. to 11 Oct.

DIRECT ADMISSION 2021-22
MBBS/BDS in India/Abroad
In Top ranking Universities and Institutions

B. Sc. AGRICULTURE
B. Sc. FORESTRY
B. Sc. HORTICULTURE
B. Sc. MLT
B. Sc. MM (MEDICAL MICRO BIOLOGY
B. Sc. OPTOMETRY
BMRIT - (MEDICAL RADIOLOGY & IMAGE TECHNOLOGY
B. Sc. OT - (OPERATION THEATRE TECHNOLOGY)
BPT
DIPLOMA IN DIALYSIS
DIPLOMA IN OPTOMETRY
DIPLOMA IN X-RAY
DMLT
GNM
B. Sc. NURSING
B. Sc. FOOD TECH
B. A. MASS COMMUNICATION & JOURNALISM
BHA (BACHELOR IN HOSPITAL ADMINISTRATION)
BHM
BBA LL.B., BA LL.B.,
ENVIRONMENTAL SCIENCE
FISHERIES SCIENCE
BCOM. HONS.
BBA
B. Sc. MM (MEDICAL MICROBIOLOGY)
B. Sc. IT, B. TECH, BE
B. Sc. NAUTICAL SCIENCE
B. Sc. Hons, ANIMATION & GAMING
B. PHARM, D-PHARM
B. PHARM, LATERAL ENTRY
B. Sc. HONS. PHYSICS
B. Sc. HONS. CHEMISTRY
BA. HONS. ENGLISH/PSYCHOLOGY
BACHELOR IN FASHION DESIGN
BCA, BCA CYBER SECURITY
M. Sc. AGRONOMY
M. Sc. FORESTRY
M. Sc. HORTICULTURE
M. Sc. MLT
M. Sc. SEED SC & TECH
MPT.
M. Sc. EVS
MBA (HR, IB MARKETING, FINANCE)
M. Sc. CHEMISTRY
M. Sc. FOOD TECH
M. Sc. BIOTECHNOLOGY
M. Sc. FOOD NUTRITION DIETETICS
M. Sc. INDUSTRIAL CHEMISTRY
M. Sc. PHARMACEUTICAL CHEMISTRY
M. Sc. PLANT PATHOLOGY
M. Sc. ZOOLOGY
M. Sc. BOTANY
MA. ENGLISH
M. TECH
Sd/- WANGKHEI PUKHRAMBAM LEIRAK
Contact No. - # 7085653886, # 8837454543
HL-P/9512/5/9-3/10 (alt)

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
For
MEDICAL REGULAR COURSE 2021-22
For Admission & details please
Visit Our Website :www.cometcoaching.in
Date of Form issue : 13th September, 2021
Last date of form submission : 30th September, 2021
Class commencement from : date to be published in newspapers
Free Studentship available
(Limited seats based on first come first serve basis)
Special Features
- Zoom Live Classes for all subjects (Monday to Saturday)
- Recorded videos will be provided for all subjects (Monday to Saturday)
- Assessment test every Sunday (during pandemic).
- If there is any holiday on the day of test, test will be held on the next day.
- After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
- Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
- Study Materials will be provided.
Note: Normal physical classes will be conducted with S.O.P. once permitted by govt. of Manipur.
For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road
HL-B/7195/1,3,4,6,8